# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 13-07-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ১২ শুবা মণিপুর বিধান সভাগী মীফম থা অসিগী ৩১ দগী হৌরগনি।

২) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- বিমস্তেক লৈবাকশিংনা শেল থুম অমদি সমাজগী চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিংদা হেন্না চাওখৎহন্নবা অচৌবা থৌদাং লৌগদবনি।

অমসুং

৩) কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রি জে.পি. নদ্দানা আয়ুসমান ভারত প্রধান মন্ত্রি জন অরোগ্যা য়োজনা অমসুং অয়ুসমান ভারত দিজিতেল মিসনগী ফিভম হন্না য়েংশিনখ্রে।

------

মীফম (এল)ঃ ১২ শুবা মণিপুর বিধান সভাগী মীফম থা অসিগী ৩১ দগী হৌরগনি।

ইম্ফালদা লৈবা মুখ্য মন্ত্রি কেবিনেট হোলদা ঙরাং পাঙথোকখিবা রাজ্যগী মন্ত্রি মন্দলগী মীফমনা বিধান সভাগী ৬ শুবা মীফম থা অসিগী ৩১ দগী হৌনবা অয়াবা পীখিবনি। মন্ত্রি মন্দলগী মীফম লোইরবা তুংদা ইনফোর্মেসন অমসুং পাব্লিক রিলেসন্স মন্ত্রি ডাঃ সাপম রঞ্জন্না পাউমীশিংদা হায়- মীফম অদুদা পুন্না এজেন্দা ৪৩ পুথোক্কুনা খন্নখি। এজেন্দদা হান্না য়াওদবা খরা অমসু মীফম অদুদা পুথোক্কুনা খন্নখি। মীফম অদুনা মণিপুর প্রাইভেট স্কুল রেজিষ্ট্রেসন এন্দ ে রগুলেসন এক্ট ২০১৭ শেমদোক্কুনা দ মণিপুর প্রাইভেট স্কুলস রেজিষ্ট্রেসন এন্দ রেগুলেসন রুল ২০২৪ শেম্বদা অয়াবা পীখি। নৌনা শেমখিবা জিলা ৭ কী

মিনিষ্ট্রিয়েল ষ্টাফ অমসুং ভি.দি.এফশিং জিলা অমদগী জিলা অমদা ট্রান্সফর তৌবা য়াহন্নবা মন্ত্রি মন্দলগী মীফমনা অয়াবা পীখ্রে। মসিগা লোয়ননা ভি.দি.এফশিং হান্না মশা মশাগী জিলাশিংগী মনুংদা মথৌ তৌরম্বা অদু অতোপ্পা জিলাশিংদা ট্রান্সফর তৌবা য়ারগনি।

ডাঃ রঞ্জন্না হায়- ধনামঞ্জুরি য়ুনিভর্সিতি এক্ট নৌনা শেমদোক্তুনা অনৌবা ভাইস চান্সেল্লর হাপবা ব্রাফমশিং মীফম অদুদা খন্নখি। রাজ্যগী পাব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টতা হান্না লৈরম্বা পোষ্ট ১৬০ মুখৎনবা মীফম অদুনা অয়াবা পীখ্রে। ঙরাংগী মীফম অদুনা মণিপুর হেলথ সার্ভিস দেন্টেল রুল শেমবা ৱারেপ লৌখ্রে। ইম্ফাল ইয়ারপোর্ট চাওথোকহন্নবগীদমক হান্ননা লৌশিনখ্রবা লমশিং ইয়ারপোর্ট ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়াদা শিন্নবসু মীফম অদুনা অয়াবা পীখ্রে। নৌনা লৈবা গাড়িশিংগী নম্বর লৌবদা গাড়ি মপুশিংনা মশা মশানা পাম্বা নম্বর ই-ওক্সন তৌরগা লৌবগী অয়াবসু মীফম অদুনা অয়াবা পীখি।

দিএময়ু (এল)ঃ ধনামঞ্জুরি য়ুনিভর্সিতিগী হাংদুনা রিগুলর ফমশিং রিগুলর ওইনা হাপনবা দাবী তকশিনদুনা য়ুনিভর্সিতি অসিগী মহৈরোইশিং অমদি মসিগী কন্সটিট্যুয়েন্ট কলেজ ৬ কী এলুমনাইশিংনা য়ুনিভর্সিতি অসিগী কেম্পসতা খুথাং চরা হেনবা মখা চথরি। খুথাং চরা হেনবা অদুদা শরুক য়াখিবা হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী হান্নগী মেম্বর অমসুং লো কলেজ এলুমনাই এসোসিয়েসনগী চেয়ারমেন ঙাংবম নোংয়াইনা হায়- মহৈরোইশিংগী ইহৌনা রাজ্যপালনা পাউতাক পীদুনা রাজ্য সরকারনা য়ুনিভর্সিতি অসিগী ভাইস চান্সেল্লর, টিচিং অমসুং নোন-টিচিং ষ্টাফশিং হাপবা তকশিনখি।

বিমস্তেক ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- বিমস্তেক লৈবাকশিংনা শেল থুম অমদি সমাজগী চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিংদা হেন্না চাওখৎহন্নবা অচৌবা থৌদাং লৌগদবনি।

বিমস্তেক লৈবাকশিং হেন্না ফগৎহনবা অমসুং খুমাং য়াংশিন্নবা হোৎনবদা

ভারতনা অচৌবা থৌদাং লৌগনি হায়বা ফিরেপ অদু প্রধান মন্ত্রিনা অমুক হন্না ফোংদোকখি। বিমস্তেক লৈবাকশিংগী মপান থৌরম মন্ত্রিশিংগা নিউ দিল্লিদা ঙরাং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগা উন্নদ্না ৱাফম কয়ামরুম খন্নখি। খন্নবা অদুদা লৈবাকশিং অসিগী লম্বী-থোংগী ফিভম, ইনর্জি, লল্লোন ঈতিক, হকশেল, লৌউ শিংউ, বিগ্যান, সেক্যুরিতি অমসুং অমগা অমগা তেংবাংনবগী ৱাফমশিংদা অখন্নবা মীৎয়েং থমখি। মীফম অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা লৈবাক অসিগী য়ুমলোন্নবনা হান্না হায়বা ৱাখল্লোন অদুদা বিমস্তেকনা লৌগদবা থৌদাংশিংগী মতাংদা মহাক্কী ওইবা ৱাফমশিং ফোংদোকখি। চহি অসিগী সেপ্তেম্বরদা থাইলেন্দদা পাঙথোক্কদবা বিমস্তেক মীফমদা লৈবাক অসিনা মপুং ফানা শৌগৎকনি অমসুং অচৌবা থৌদাং লৌগনি হায়নসু প্রধান মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি মুম্বাইগী গোরেগাউনদা নেসকো একজিবিসন সেন্তরদা লুপা কোতি লিশিং ২৯,৪০০ রোম চাংনা পায়খৎকদবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং যাত্রা হুনগনি। প্রোজেক্টশিং অদুগী মনুংদা লম্বী-থোং, রেলৱে অমদি হিথাংফম য়াওরি। তুংদা, শ্রী মোদিনা ইন্দিয়ান নিউজ সার্ভিস সেক্রেটরিয়েটতা চত্তুনা আই.এন.এস টৱার শঙ্গাগনি।

নদ্দা ঃ কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রি জে.পি. নদ্দানা আয়ুসমান ভারত প্রধান মন্ত্রি জন অরোগ্যা য়োজনা (পি.এম.জি.এ.ৱাই) অমসুং অয়ুসমান ভারত দিজিতেল মিসন (এ.বি.দি.এম)গী ফিভম হন্না য়েংশিনখ্রে।

নেসনেল হেলথ ওথোরিতিগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংগা ঙরাং নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা মীফম অমদা কেন্দ্র সরকারগী স্কিমশিং অসি হেন্না ফগৎহন্নবা ৱাফম কয়া খন্নখি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী নদ্দানা হায়- স্কিমশিং অসি হৌজিক্তি য়ৌহন্নিংলিবা পান্দম অদু নিংথিনা মায় পাকা য়ৌহনবা ঙল্লি। হৌজিক ফাওবদা স্কিমশিং অসিগী মখাদা লৈবাক অসিগী মীওই কোতি ৩৪ লাখ ৭ হেনবদা আয়ুসমান কার্দ ফংহনখ্রে। মীওই কোতি ৭ লাখ ৩৫ দনা স্কিমশিং

অসিগী মখাদা হোস্পিতালদা এদমিসন তৌবা ফংহনখ্রে। মসিগীদমক লুপা কোতি লাখ ১ হেন্না চাদিং তৌখ্রে। স্কিমশিং অসিগী মখাদা কান্নবা ফংবা য়াবা মীওই খুদিংমক অমত্তা চিথ্নবা তৌদনা কান্নবা ফংহন্নবা হকশেল মন্ত্রিনা মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিংদা খঙহনখি।

সাই (এল)ঃ স্পোর্টস ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়া (সাই) এস.টি.সি খুমন লম্পাক্তা খেল্লো ইন্দিয়া রাইজিং টেলেন্ট আহদেন্তিফিকেসনগা মরী লৈননা হৈথোই শিংথোইবা শান্নরোইশিং খনবগী দ্রাইভ থা অসিগী ১৫ দগী ১৭ ফাওবা পাঙথোক্লগনি। চহি ৯ দগী ১৮ ফাওবদা লৈবা বোক্সিং, বেদমিন্টন, কবাদি, ভোল্লিবোল অমদি রেষ্টলিং মশান্নদা য়াওনিংবা শান্নরোইশিংনা সাই এস.টি.সি খুমন লম্পাক্তগী অকুপ্পা মরোল খঙলবা য়াগনি হায়রি।

মেট ঃ ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা হায়রি- অৱাং নোংপোক লমদম য়াওনা লৈবাক্কী অতৈ মফম কয়াদা লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা অকনবা নোং চুগনি। মণিপুর অমসুং নাগালেন্দদা থা অসিগী ১৪ অমসুং ১৫ দা অকনবা নোং চুগনি। অসাম, মেঘালয় অমসুং উরিষাগী মফম খরদা থা অসিগী ১৬ ফাওবা অকনবা নোং চুগনি। নোংচুপ বঙ্গাল, সিক্কিম, বিহার অমসুং অরুনাচল প্রদেশতনা থা অসিগী ১৪ ফাওবা অকনবা নোং চুগনি।

ৱেদর এজেন্সিগী পাউনা হায়- কোনকান, গোৱা, মহারাষ্ট্র, করনাতক, গুজরাত, অমসুং তেলঙ্গনাদা থা অসিগী ১৬ ফাওবা অকনবা নোং চুগনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

সনালৈবাক্তা- এসেমব্লি মীফম জ্লাই ৩১ দগী হৌরগনি, পি.দব্লিউ.দিদা পোষ্ট ১৬০ মুথৎনবা লেপখ্রে, ভি.দি.এফশিং দিষ্ট্রিক্ট লান্না ত্রান্সফর তৌবা য়ানবা কেবিনেটনা ৱারেপখ্রে হায়বা পাডনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসিমক তোঙান তোঙান হেদলাইন তৌদুনা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস ইদিসন, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, নহারোলগী থৌদাং, মণিপুর নিউজ, পিপলস ক্রোনিকল, ঈচেল এক্সপ্রেসনচিংবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

এসেমব্লিগী ফুল বজেৎ সেসন জ্লাই ৩১ দগী হৌনবা ষ্টেট কেবিনেটনা ৱারেপ লৌখ্রে হায়বা পাউনা পোকফমগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

হুইয়েন লানপাউদা- নুমিৎ কয়ানি ফমগদোইনো, জ্লাই ৩১ দগী এসেমব্লি মীফম হৌনবা কেবিনেটনা ৱারেপ লৌখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

১৭ শুবা দিসতরবেন্স ফ্রি ইজ্কেসন জোন দিমান্দ ডেগী পোষ্টর কেম্পেন হৌদোকখ্রে, ইজ্কেসনগী মরুওইবশিং অদু পুন্না খঙমিন্নবা মথৌ তাই হায়না ঈচেল এক্সপ্রেসকী এনকর কলমদা ফোংলি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা জষ্টিস য়ু.পি. সাহ কাংপোকপীদা লাকখ্রে হায়বা পাউ অহানবা লমায়দা ফোংলি।

দি.এম. য়ুনিভর্সিতি কনমিন্নশি হায়বা এম.পি. বিমোলগী ৱাফম, কাংপোকপীদা লাঞ্জেন্নখিবশিং ইম্ফালদা হন্নিংলি হায়বা পাউশিং শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা- আশা ৱার্করশিংগী মতমগা চুনবা খুৎশুমল পীবীয়ু, লৈঙাকা ৱাকৎ তাবীদ্রবদি অকনবা খোঙজং চংশিল্লগনি হায়বা পাউ অমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

কোর্টনা বেল পীরবসু থোকপা ঙমদনা লৈরকখিবা কুকি বন্দি ৪২ আর্মিনা কাংপোকপীদা পুখ্রে, ৱাইসেল মরীল শেংদোকবা জ্লাই ১৬ তগী সর্ভে হৌরগনি- ই.পি.য়ুগী ৱাফম মণিপুর নিউজগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ৱারী শান্নরবা মতমদতা ইরাং লোইশিনহনবা ঙমগনি হায়বা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী চেয়ারপার্সননা ফোংদোকখিবা পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

জষ্টিস এন. কোতিশ্বরনা সুপ্রিম কোর্টতা জজ ওইবা অহানবা মণিপুরী ওইরগনি হায়বা পাউ তমেংলোং টাইমসতা মরুওইবা ওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

রাজ্য বিধান সভা মীফম জ্লাই ৩১ দগী হৌরগনি, মরুওইবা এমেন্দমেন্টস কয়া পুথোক্লগনি হায়বা পাউ দ চম অমসুং গানফিউ মেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

------